A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

ꯅꯍꯥꯔꯣꯜꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ

নহারোলগী থৌদাং

ইম্ফাল জনুৱারী ১১,২০১৭

অন্সমগী প্রসিদেন্ট এআরনা ফারগা থাদোকখিবগী ৱাহন্থোক করিনো?

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ুএনসি)না হৌজিক চত্থরিবা ইন্দিফিনিট ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং অসি আইন্না য়াদবা অমনি হায়বা মীপুম তিংনা খঙনরবনি। সুপ্রিম কোর্টনসু নেস্নেল হায়ৱেশিংদা মখল অমত্তগী অয়েৎ-অপন পীবা য়াদে হায়বগী মথক্তা বন্দ-ব্লোকেদ তৌশিন্দুনা মীয়াম ৱাহল্লিবসি ইলিগেল ওই হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি। অসিগুম্বা আইন্না য়াদবা থবকশিং অসিবু চত্থরিবা কাঙবুশিং অসি হৌজিক লৈরিবা কংগ্রেস সরকার অসিনা মতিং লৈরবদি আইন্না য়াদবা সংস্থান অমা ওইনা লাওথোক্লম্বা ফাওবা য়াবনি। মদুনা ব্লোকেদ অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইরমগদবনি।

য়ুএনসিনা চত্থরিবা ইন্দিফিনিট ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসি আইন্না য়াদ্রবসু মখোয়গী মথক্তা এক্সন অমত্তা লৌদবা অসিনা য়ুএনসিগী প্রেসরদা মীওই কয়া অমসু মসিদা সপ্পোর্ট তৌশিল্লিবনি। করিগুম্বা আইন্না য়াদবা লুপ অমা ওইনা লাওথোক্লম্বা তারবদি য়ুএনসিনা ফনা কন্না প্রেসর পীরবসু মীয়াম্না কৈদৌঙৈদসু আইনগী মায়োক্তা লৈবা পামদবনা করিসু মতেং পাংশিল্লম্লোই। অদুবু সরকারনা য়ুএনসি অসি বেন ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা লাওথোক্ত্রবসু তৌরিবা থবক অসিদি আইন্না য়াদবা অমা ওইবনা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি অনীবু ফারগা খোঙজং অসিগা মরী লৈননা মাঙ-তাকখিবা কয়াগী কেসশিংদা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা নুমিৎ কয়ানি চুপ্না পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথরিবনি। মসিনা লুপ অসিনা চত্থরিবা থৌওংশিং আইন্না য়াদে হায়বদুসু ময়েক শেংনা তাক্লবনি। অদুনা য়ুএনসিগী থৌপুবশিং অমদি মসিদা নাকোয়ননা অমসুং হকথেংননা শৌগৎলিবা খুদিংমকসু আইনগী থোংদা দন্দি পীবা হায়বসি হৌনশানি। অদুনা য়ুএনসিগী খোঙজং অসিদা হকথেংননা শৌগৎতুনা মীচম প্রজাসু নত্তবা লো ইনফোর্সিং এজেন্সি অমা ওইনা লৈরিবা আর্মি কনভোইদা চেক তৌরুবগী অসাম রাইফলসনা ফারবা অন্সমগী প্রসিদেন্ট সেথ সতসং, ফাইনান্স সেক্রেটরি জোসেফ অমসুং এদুকেসন সেক্রেটরি এসি থোৎসোবু ফারবা মতুং আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎনবা ষ্টেট পুলিসতা শীন্নরকপগী মহুৎতা লোৎনা থুপ্না থাদোকখিবা অসিগী ৱাহন্থোক করিনো? অসাম রাইফলসনা আইন কায়না থবক তৌরিবা মীওই অমা ফারগা পুলিসতা শীন্নদনা লোৎনা থুপ্না থাদোকখিবা হায়বসি সেন্টরগী ইন্সট্রক্সন য়াওদনদি ঙল্লোই। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা মরৈ অনী লোংনা থবক তৌবদগী অসাম রাইফলসনা অন্সমগী লুচিংবশিং অদু মনিং তৌনা থাদোকখিবা ঙল্লিবনি। মসিগী অশেংবদু চপ চানা খঙদোক্লবা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী চিয়রমেনসু ওইরিবা সিএমনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী মীফম পাঙথোক্তুনা মদুগী মরম চপ চানা পীরক্লবা অসাম রাইফলসতা খঙহনগদবনি। করিগুম্বা সেন্টরগী ইন্সট্রক্সন য়াওনা থাদোকখিবা ওইরগনা ষ্টেট সরকারদনা ব্লোকেদ অসি হ্যুমেনিটরিয়ান ক্রাইসিস ওইবনা ষ্টেটকী কন্সটিট্যুস্নেল পৱারদা ব্লোকেদ অসি ক্লিয়র তৌগদবনি হায়রগা মনুংদনা ব্লোকেদ তৌরিবশিংদা নাকোয়ননা শৌগৎলিবদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। সেন্টরগী ইন্সট্রক্সন য়াওদনা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা লোৎনা থুপ্না থাদোকখিবা ওইরগনা অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতা মরু ওইনা হোম মিনিষ্ট্রিদা রিপোর্ট থাদুনা চপ চাবা এক্সন লৌহন্নবা তকশিনগদবনি। ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা মতেং পাংনবা লৈরিবা অসাম রাইফলসনা অসিগুম্বা থৌওংশিং চত্থরিবমখৈ লৈরিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসি লোইশিনবা অমদি এনএসসিএন (আইএম)গী থবক থৌওংশিংদা ফোঙনা শৌগৎলিবা লুপ কয়ানা চত্থরিবা আইন কায়বা থৌওংশিং অসি থিংবা ঙল্লোই। সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা মখোয়দা ফ্রি থারে হায়না মথৌ শঙবা ওইনা থোক্তুনা লো এন্দ ওর্দরদা হেন্না শাখিবা ফিভম অমা মায়োক্লহনগনি।

এদিটরদা পীরকপা চিঠি

খন্থবা ঙম্বগী থৌনা লৌশিং পাঙথোক্লে

ইকাই খুম্নজরিবা এদিটর,

ইমা ইপা মীৎনা উবা লাইনি হায়নরিবসি ককপা য়াদনা তাইবঙ মীওইবা মীরোলসিনা হেক লৈরিবমখৈ অদুমক হোংবা য়াদনা লৈরগদবনি। অপোকপা অপোকপীগা শংমান -লেংমান্নরবা লেংমান্নরবী কয়ানা মথম্মোয় শোক্লা হায়জবদা লাউজবদা থওই-ৱাওইদ্রবা মসিনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী অপাম্বা ওইজবা অপেনবা ওইরবসু মমৈথংদদি অফবগী মহুৎতা ফত্তবা হায়বদু শোয়দনমক্কী ওইদনিংঙাই লৈরোই। অপোকপা, অপোকপীগুম্লবা চহী য়াল্লবা মখোয়শিংগী পাউতাকপু করিসু লৈতনা খল্লবা খন্থবা ঙম্বগী থৌনা য়াওদ্রবা সনা লৈবাক মণিপুর ইমা মাগী তম্পাক্তা য়াতাদুনা লৈরিবা খুদিংমকপু চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংবীরবসু খেন্নবা অমদি শোয়দনা লৈরমগদৌরিবনি? মতম কুইরবগী মমাঙদা মমা ওইরিবা খুদিংমকসে অঙাং ওইরকখিবা ঙাক্তনি। মতমদুদা চীংমী তম্মী অনীমক অসুক্কী মতিক নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরম্বনি। শংমান লেংমান্নবা ওইরগনা নুপী মশেলদা ইতা। নুপা মশেলদা ওইরগনা ইতাও। মীঙ্গৌ অসিমক থম্মোয় শেংনা কৌনরম্বা পুম্নমক মতমগী য়াওলনা কদোমদগী হুন্নকপা নুংশিৎনা হুমদোকখিবনো খঙদবা মখৈ ঙসিদি থরুম থরুম নৈবগুম অমা লাকপসিদি কনাগুম্বা খরদি মথম্মোয়দা পীরাং শিন্থদে হায়বা য়াররোই। চীংগী পোখোক্লা তমগী পোখোক্কা মমল থিদবা মখৈ শেৎনা খায়নদুনা চামিন-থকমিন্নখিদে করম হায়রসিগে? নাশিখোংদা তাইনবা ঙমদ্রগা প্রজা লাক্ষ লাক্ষতা অৱাবা কোকথোং নংহন্নবা শিল্লকপা, মমা ওইবা খুদিংনা পেল্লমগনি নিংব্রা? পুকচেল তপ্পী ইমানি। ইমাগী মথাদগী তোঙান্না চৎকে তোঙান্না লৈগে খনগনু। পুম্নমকসি চীংগা-তমগা অনীগী ইমানি হায়বা অসিমা কাওথোক্লবসু কাওথোক্তনবা হোৎনবদা ইমাগী মমল নাইদ্রবা নুংশিনা পীবীবা বর লেপ্নমক ফংগদৌরিবনি। নাইতোম তাবা ষণনা শানা কৈনা চাখিবনি। নাপল চাওবা হঙোইনা মথন্তা পোকখায়রগা শিজবনি। অমত্তা ওইবগী ৱাখল লৌশিং লাক্তুনা চত্থরিবা ব্লোকেদসিদংগা হন্দোক্তুনা অপুনবগী শক্তমবু কায়দনবা অনৌবা চহীনা লাকপসিদা হিংমিন্নরসি ঐখোয় নুংশি চান্ননা।

অদোমগী
অয়াম ওংবী ইমা
খুরাই লাইনিংথৌ অহনবা, ইম্ফাল

ফত্তবা ঈদি হোংদোকপা ঙল্লোই

অচুম্বতনা জয় ওই

সমাজসিগী শোখরবশিংদা কখোকচবা

হাওরুংবম শরত খুমন

মীওইবা ঐখোয়না ৱাখল অসুক য়াম্না থেল্লিবসি খল্লুবদা খরা ঙক্লা থোকই। ঐখোয় মশেল হাৎনরি। পোৎচৈশিং মৈ থারি। মী অমনা অতোপ্পা মী অমদা অয়েৎপা অথিংবা পীরি। ঐখোয়না খুরুম্লিবা ঈশ্বরনা করি খল্লমগনি? ওইরিবা পুম্নমকসি চাওখৎপা, ৱাখল খনবা লাইরিক হৈবগী খুদমলা? ফত্তবা থবক্লবু , পুন্সিসিদা করিসু অফবা অমত্তা পুরক্লোই। খনবীব্রা অসুম্নগা করিগুম্বা মরম অমদগী নুংতিগী থোক্লিবা, ঐখোয়বু পৃথিবীসিদা জিব অমা ওইনা হিংহল্লিবা মঙাল পীবীরিবা নুমিৎ অসি থোক্লক্তবা তারগদি করম তৌবা !! কয়াম কুইনা ঐখোয় হিংবা ঙমগনি? হৌজিক চত্থরিবা অর্থ য়াওদ্রবা লীলাশিংগী ফলসু মতোমতা অদুম লাকচরগনি। তাইবঙ মীওইবসি করিনো হায়বদু খন্থবা ফৈ খঞে। হৌজিক্কী মতমগী থৌদোক ৱাথোকশিংসি য়াম্না ৱাখল খন্থবা ৱাৎপা মীশিংগী থবকশিংনি। ফত্তবা মীগী মতুং ইনবা হৌনদে। ফত্তবা মী, ফত্তবা জাতি, ফত্তবা লৈবাক হায়বসিদি মতোমতা অদুম মতমনা লোইশিঞ্জগনি। ফত্তবা অমত্তা মিংচৎ লৈবা থবক তৌবা ঙল্লোই। ফত্তবা পুম্নমক মনম নমথি হায়বসি কাওবীগনু। অসুম্না পৃথিবীগী ইতিহাসতা ফত্তবা অমত্তগী মফম লৈতে। অফবনি মীয়াম্না নিংশিংলিবসি।

লমদমসিগী লাইশঙ, স্কুল, কলেজ, মীতিনফম মফম পুম্নমক্তা পৃথিবীগী মেপ, গ্লোব অমমম থমহন্নিংই। ঐখোয়গী লৈফম অসি মণিপুর হায়বসি পৃথিবীগী পীকখ্রবা লম মচেৎ অমনি হায়বদু নিংশিংহন্নিংই। অতোপ্পা লৈবাকশিংসু লৈরি হায়বদু খঙহন্নিংই। গ্লোব অদু উরগা পুকচেল খরা চাওথোরকপা ঙমগদ্রা? অফবা অহোংবা খরা লাক্কদরা? মণিপুরদা হিংলিবা জাতিশিংনা মখোয় মখোয়না পৃথিবী থাদোকপা মতমদা, মখোয়গী লৈফমসু পুদুনা চৎখিবা ঙমগদ্রা? য়ারবদি পুবীখো। ফত্তবা মনম নমথিরবা মফমশিংদু হাংদুনা লৈহৌরবদি অতোপ্পা অমনা লাক্কনবগী খুদোংচাবদু ফংলগনি। ৱাফমসি পৃথিবীসিদা ওইথোকপা য়াবা ৱাফমলা? ওইরোইদবা দিমান্দ তৌবীগনু।

লোক্তাক পাৎতা লৈবা ঙাগা, সমুদ্রদা লৈবা ঙাগা চাওবদা য়াম্না খেন্নগনি। অসুম্না পীকখ্রবা লম মণিপুরদা লৈবা মীগা, পৃথিবীগী চাওখ্রবা লৈবাক আমেরিকা, রুসিয়া, চাইনাদা লৈবা মীশিংগসু হায়নিংঙাই লৈতনা খেন্নবা তাবনি। হান্নসু কয়ারক ইজখরে। অদুদি মণিপুরদা মোরেদগী মাও ফাওবসি নুমিৎকী মঙাল চপ মান্নবা মতমদা অয়ুক্তা উবা ফংলি। অদুবু আমেরিকাদদি আমেরিকাগী নোংপোক্তগীনা নোংচুপকী মায়কৈদা নুমিৎকী মঙালসি য়ৌবদা পুং ৮ চঙলি। হায়জনিংবা ৱাফমদি ঐখোয়গী ৱাখলগী হোরাইজোন অসি য়াম্না পাকথোক চাওথোকহন্নিংই। অপীকপা লম ওইরবসু অফবা অচৌবা থবক তৌহন্নিংই। কাঙলুপ মশেলগী পুকচেল অপীকপদু থাদোক্লগা, মীওইবা জাতিগী ওইবা ৱাখল খন্থনিংই অমসুং হেন্না অফবা থবকশিং মথং মথং পাঙথোকহন্নিংই।

অখুবা , অপীকপা, চাওখৎতবা থবকসি তৌরোইসি।

তাবদা, উবদা য়াম্না নুংঙাইতে-মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমসি । মীওইবগী মপোক্তা খুদোংচাবা লৌখিবা মশা মশাগীদা খনখিবা, তৌখিবা অমত্তা, তুং কোয়না নীংশিংখিবা লৈতে। করম্বা মতমদা লমদম অসিগী মীওইনা পৃথিবীগী সিটিজেনগদু ওইরক্কদগে? নোবেল প্রাইজকসু ফংলক্কদগে? অফবা মী ওইবসি পৈশা চঙদে। ফমজাও লৈবগীদি , পৈশানা লৈগদৌবনিনা, পৈশা য়াম্না চঙলি। খরা কুইনা হিংলিবনিনা অঙক অঙকপা য়াম্না পাউচেশিংদা উরি। নোকফদেগী সমাজ ওইরে।

পীকখ্রবা ককচেংশিং য়াম্না লাইনা হাৎতোকপা য়ারি। অদুবু মখোয়দি মখোয় পুল্লপ পুল্লপ থবক শুমিন্নে। ককচেংদি শুক্তুম তুমদে। পৃথিবীসিদা জিব অয়াম্বসি নুংশি চান্ননা পুল্লপ হিংমিন্নবা ঙম্লি। অদুবু মীওইবশিংদি হাৎতোক্লরি। জিবশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফত্তবসি তাইবঙ মীওইবনা ওইরি। ফত্তবসি নোংমা নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি। ধর্ম্ম অমত্তনা মী হাৎলু হায়দে। লাই নিংদবা জিবা অতৈনা তৌদবা থবকশিং, লাইনিংবা মীওইবনা তৌরি। ঐখোয়না লাইরিক তল্লিবসি অফবা থবক তৌননবনি। লাইরিক হৈরবসু হুমাং থোকপা থবকসু তৌগদৌবনি। মসিমদি য়াম্না চুল্লবা ৱাফমনি। অদুদি বৃটিশ না পৃথিবী অসিগী মপু ওইরমখি। বৃটিশনা পৃথিবীগী মফম খুদিংদা মিস্নরি অমমম থল্লগা মখোয়গী ধর্ম্মসু শন্দোক্লমখি। নোংমাইজিং ছুতি ওইরিবসি মখোয়না হৌদোক্লম্বনি। নোংমদা মশিং খঙদনা ঈশ্বরবু খুরুম্লগা মীনুংশি লৈতবা থবক্তি তৌরি।

বৃটিশ তগী ঐখোয়না করি অফবা তমহৌবগে? মতম ফজনা শীজিন্নবসি ঐখোয়না তমহৌদে। ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা মতম চপ চানা হৌবা ফঙ্কসন ইয়াম য়ামদে। ইকোনোমিক ব্লোকেদ, টোটেল সটদাউন হায়রিবা ৱাহৈশিংসি ইংলিস ৱাহৈশিংনি। অফবা থবক অমত্তা নত্তে। ফত্তবগী ফলদি , ফত্তবনা অদুম ওইগনি। ফত্তবগা মান্নবদি হৌনদে। ফত্তবদি ইগনোর তৌগদৌবনি। চৎনদ্রবা লম্বীদি নাপী হৌরকপা হায়বসি হৌনশানি। মদুগী ফিভমদু নোংমদি শোয়দনা ওইরক্কনি। ইম্ফালদা রেলৱে লাইন য়ৌরকপা অমসুং ইম্ফাল -জিরি লম্বী ফরবদি অতোপ্পা লম্বীদু নাপীগী লম্বী শোয়দনা ওইরক্কনি। টেক্স খোম্বশিং , রোদ সাইদ বিজিনেস মতোমতা লোইজখিগনি। কনাগী মাঙজবনো? ফত্তবা মীশিংগীনি।

অপাইবা লৈচিলগা চপ মান্নবা ঐখোয়গী সমাজ হায়বদু ওইরে। অয়ুক অঙনবদগী পেট্রোল পম্প দা, বেঙ্কদা , এটিএমদা মীয়ামসি ক্যু লেপ্লি। মীয়ামসি হায়নিংঙাই লৈতনা ৱাহল্লে। পুম্নমক অসি পুকচেল শেংদবদগী থোক্লিবনি। পীকখ্রবা ইম্ফাল এরিয়া অসি খোংনা চৎপা য়াবা মফম ঙাক্তনি। মী খুদিংমক মখোং মখুৎ য়াওদ্রবা, মীগা চপ মান্নখরে। পেট্রোলগী পৈশাগী অসুক য়াম্না ৱাননফমদি থোক্তবনি।

মীওইবগী থম্মোয়সি শুঙ্কৎনিংঙাই ওইরিবা লাতা মাঙ্গেস্কর, মুকেশনচিংবগী ঈশৈ তাদ্রিবা অমসুং শুক্তা তাদবা জাতিবু করম্বা মখলগী থম্মোয় পাল্লমগনিগে? শাহিং ঙাহিং চাবা হায়বসি অফবা কাঙলুপ অমসুং মীওই কৈদৌনুংদা ওইরোই। ইং শক ২০১৬তা অনৌবা থৌদোক কয়া থোকখি। মেদিয়াদা ফাওবা মীচঙ মীখায় নাইবগী খুদম কয়া লৈখি। মণিপুরদা বোম নত্রগা গ্রেনেদ লংশিল্লকপসি য়াম্না তোয়রে। অদুগা হৌজিক ফাওবদি হ্যুমেন বোম নত্রগা সুইসাইট পার্টিগীদি মমি তাদরি। রেদিওদা নেতাশিংগী ভাষন মশিং হেঙ্গৎলক্লে। নাকল অমত্তগী ওইবা ৱাফম ঙাক্তনি। মেদিয়া চেন্নেলশিংসি এদভর্টাইজমেন্ট ঙাক্তা ঙাইখরে। পাউগী মমাঙদা, মরক্তা অমসুং মতুংদা এদভর্টাইজমেন্টনা হারে। চহী কয়াদগী হৌজিক ফাওবসি হোস্পিটালদা মচা পোকপগী এদভর্টাইজমেন্টসি অদুম থারি। অঙকপা লৈবাক্লি। সমাজ অসি ৱাখল মুন্না খন্থবা ৱাৎপনা মশিং হেনবা সমাজনি। পাক হেক অফবদা ওইহনবসি য়াদরি।

ইম্ফাল এরিয়াদা পেট্রোল অসি ওক্সিজেনগা চপ মান্নখরে। পেট্রোল লৈত্রবদি ঐখোয় হিংবা ঙমদ্রবরা? মণিপুরগী সিন অসি পৃথিবীগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা উরোই। খোংনা চৎপদা করিসু হন্থরোই ঐখোয়গী ইজ্জৎ অমসুং মিংচৎ। পেট্রোলনা চেঙদগী হেন্না মরু ওইরিবসি, অফবা খুদম নত্তে। মীগী মতেংনা পুন্সি হিংগদৌবা নত্তে।

মণিপুরগী বর্নিং ইশ্শু পুম্নমক লুপখরে। ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌরগা ইতৎ তত্তনা খৌরি মেৎপগী মওংসি, অরোইবা সোলুসন অমা পুরকপা ফগনি। পৃথিবীগী মফম অমত্তদা তৌদবা থৌদোকনি। খিৎ হেনমনখরে। মীওইবগী মপোক অসি কন্সেসন অমসুং খুদোংচাবা পুম্নমক ফংগদৌবনি, ঐখোয়না হায়বা পুম্নমক য়াগদৌবনি হায়বসি য়াম্না লানগনি। ঈশ্বর ফাওবনা পীবা ঙল্লোইদবা দিমান্দ তৌবীগনু। মীওইবা ঐখোয়গী মপোকসি করিনো হায়বদু খন্থবা ফৈ। পুন্সিসি খরা নুংঙাইনা হিংগে খনবীরবদি অফবা থবক তৌবীয়ু। ফত্তবা থবকসিগী অরোইবা তাঙ্কক থমসি।

ইং শক ২০১৬ অসি মণিপুর ইতিহাসতা চরাংনবা , কার্ফিয়ুনা চলাইখিবা সরকার, আইএলপি, দিমান্দ কম্মিটিশিংগী মশিং য়ামখ্রবা ৱাকৎ, জনুৱারী ৪দা য়ুহার হাখিবনা শোকহনখিবা বিল্ডিংশিং মরু ওইনা ইমা কৈথেল শেমজিনবা লোইদরি। দ্রেস হোংবদৌনা পোলিটিকেল পার্টিসু হোংলিবসি অফবদি অমত্তা নত্তে।

ৱারবা প্রজা ঐখোয় ইশা ইশানা শু-নোল্লগা ঙ্ন-ঙম্নবা উপাইশিং থিরগা হিংলি। কনাগীসু মতেং পামদে। নিরগদি চারোই। কন্সেসন অমত্তা পামদে। ঐখোয়গী করিসু ৱাৎতে।

আর্টিকল অসি পাবীরিবা পুম্নমক্তা অনৌবা চহী অমুক হোংলকপদা অফবা থবকশিং অমসুং ৱাখলশিং হেন্না অফবা মায়কৈদা পুরকপা ওইরসনু হায়না তাইবঙ মপুদা খুরুমজরি। নোংমা নোংমগী অফবা খরা খরতা ওইরবসু পৃথিবী অসিগী , লৈতা-লাইরবগী অৱা-অনা তারবশিংগী মতেং পাংবীয়ু। ঐখোয়না ফত্তবা মীগী ঈদি হোংদোকপা ঙল্লোই। ফত্তবদি মতমনা অদুম মতোমতা তুমিন্না লোইজখিগনি। ফত্তবগা মান্নরগা পুন্সিগী অমুক হন্না লাক্লরোইদবা মতম মাঙহনবা হৌনদে খঞে। ইকাই হায়দুনা হকচাং কুপশিল্লি। চাওখৎলে খল্লগা হিংজরি। অদুগা মীওইবগী ৱাংমদা থবক তৌরবদি, করম্বা মখলগী মীনো হায়বদু , ঐখোয়না খল্লগা লাপ্না থমখিবা তাবনি। মীওইবগী সমাজসি নোক্লিংবনা পীক থনবা সমাজনি। য়ুমগী লোইনবশিংনা ইঞ্জাং থোংনিংঙাই লৈত্রগা নত্রগা থোংবা তল্লগনা অশম্বী ইঞ্জাং কাংশোয়বু ইঞ্জাংনি হায়দুনা থোক হেক থোংজিনবগুম্বনি। অসিগুম্বা মওংদা মণিপুর সমাজসু হিংলি।

মীওইবগী চাওখৎপা হায়বসি য়ুম ৱাংবা , কার তোঙবা, ফিজোল ফজবা শেৎপা, ৱাজাও ঙাংবা, মী উশিৎতবা কনাগীসু মতেং পাংদবা, লৈবাক্কী করিসু তৌদবা, অফবা ৱাখল অমসুং থবক ত্রৈদবদু নত্তে। লম্বী সড়ক ইম্ফাল এরিয়াদা খরা পাকপসি নত্তে, চাওখৎপা হায়বদু। মৈ ঙাল্লে , মফম খরদা। মণিপুরগী মফম কয়াদা ইলেক্ট্রিক্ট বল্ব মশক উদ্রিবা প্রজা মশিং খঙদনা হিংলি। অনাবশিংনা ইম্ফাল য়ৌরকপদা নুমিৎ ৩ /৪ চঙলি। পৈশা ময়েক কয়াগী মতেং হোস্পিটালশিংনা পীরিবগে? প্রজাশিংনা পুন্সিগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরগা পুন্সিসি হিংননবগী উপাই ওইননবা লুপা লাক্ষ লাক্ষ পীরগা সরকারগী থবকশিং লৈরি। সরকারগী দিপার্টমেন্টশিংসি দিপার্টমেন্টেল ষ্টোর ওনখরে। ঙক্তবা ঙমদে, ইমা লৈবাক মণিপুর।

ঐখোয় ইমা অমত্তগী মচানি

উশম ধরমেন্দ্র

ইমা লৈপাক্কীদমক্তনি

নুংশিবী ঐগী ইরমদম। পীকখ্রবা ঐখোয়গী ইরমদম অসিবু কন্নবা হোৎনবদা ইপা ইপু কয়া থৱায় থাখি। লানফম কয়াসু মায়োক্লখি। ইমা লৈবাক্কীদমক্তা। লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংদুনা লৌশিল্লমখিবনি কবো তম্পাক। তুংগী মচা চারোল শুরোলগীদমক্তা। নীংশিংলুবদা নুংশিদ্রা, ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংদুগী থৌনা লিংজেল। চহী তরেৎ খুন্তাকঙৈ শাগৈগী মচিন মনাও থোকখ্রবা নিংথৌমচা গম্ভির সিংহ অমসুং নরসিংহনা ৱাখল তামিন্নদুনা মণিপুর হন্দোক্লবা হোৎনখি। মীচেল্লবা নিংথৌমচাশিংগী মরক্তা অমা ওইরবা নরসিংহনা ৱাশক অমগা লোয়ননা লেংওইদবী পাৎ শিৎখিবগী ৱারী ঐখোয়না নীংশিংবা মথৌ তাই। ইমা লৈবাক ইরমদম হায়বসিবু নুংশিদ্রনে। ঙসিদি নুংশিবী ইমা লৈবাক সেন্টরদা পানবা পোলিটিকেল পার্টিগী মখা পোন্দ্রবদি হিংবা ঙমদ্রে, ঐখোয় মীনাই ওইরে। লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা থল্লল্লবা থাঙগী ময়াদু থৌদরে। মণিপুরগী লমখৈ কল্লকখিবা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্বা থাঙশাংশিংসু ময়া কুপ্লে। ইরমদম মণিপুরসিদা লৈরিবা কাঙবুনা ইরমদমসি কনানা কল্লকখিবগে হায়বদু নীংশিংবা মথৌ তাই। মীনাই ওইরুবা ভারতমচাশিংনা নিংতম্বা ফংলসি খন্না হরাওজবা নিংতম্বা ফংলমদাই অহিং নোংয়াইদুদা জৱাহরলাল নেহরুনা পীখিবা স্পিচ ঐখোয়না খঙজিনবা মথৌ তাই। ভারতকী নেস্নেল এন্থেম ওইরিবা জন গনা মনসিদা মণিপুরগী মিং য়াওবরনে। তোপ তোপ্না হিংজরকপা ইরমদম্নি। ইরমদমসি চাউখৎহন্নিংই। মীওইবনা শিবসি অমুক্তনি 'অইবনা হায়রম্মী চামরক হন্না পোকচগে চামরক হন্না শিজগে।' গ্রিক্কী ৱারীদা চহী লিশিং অমা পুন্সিজগে হায়দুনা চহী লিশিং অমা পুন্সিজরো হায়দুনা বর পীরগা চহী লিশিং অমা পুন্সি শল্লকপদগী অমুক শিজরগে হায়দুনা লাই খুরুম্বগী ৱারী লৈ।

থমজনিংলিবা ৱাফমদি ঐখোয়না হঙা হায়দুনা মীৎকপ থোক্লককপদা হেক খোঙদারক্লিবা ইমা লৈবাক ইরমদমদুগী থবক খরা তৌরম্বদুনি। চহী মরিফুতরা পুন্সিরল্লগা মমা লৈবাক্কী সেবা মচেৎ অমত্তা তৌরমদবা মীদুবু মীরা। য়ু ঙাওবা ওইগেরা ঙাওদবা ওইগেরা লৈবাক নিংবা হায়বসিদি তোপ তোপ্পী। য়ু ঙাওবা নুপা অমনা মমা লৈবাক্কী নুংশিবা শৈরেং অমা ইরম্বগা চহী কুইনা পুন্সিবা নিংথমথাগী মতমদা শুমাংদা খোঙ্গ্রাই চল্লগা উটি থোংবা চাবদুগী পুন্সিগা চাংদম্নবা য়ারোই। মীওইবগী পুন্সি হায়বসি হিংলিঙৈদা মমা লৈবাক্কী সেবা খরা তৌরম্বদুনি ঙসি এঙ্গলো মণিপুরী ৱারদা লৈখিদবা শেঙ্গোইসনা শিংথানরিবা করিগীনো ঐখোয়না নীংশিংবা মথৌ তাই। ঙসি পচা মীতৈগী, শরত অরাম্বমগী ইরম্বা ৱারেং, শৈরেং, নৈনরিবা করিগীনো ঐখোয়না নৈনবা মথৌ তাই। ইংলিসকী অইবী খৃষ্টিনা রোজেষ্টর হায়বসিবু চহী কয়া পুন্সিরম্বগে মহাক্কী পুন্সি ৱারী নুংশিরবা । মসিনা ৱাফম ওইরগা হৌজিক য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা মতম কক্তনা কৌখিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদনা মণিপুরগী প্রজা অসুক্কী মতিক ৱাহল্লি। ইশম শম্না হায়রবদা ইরমদমসি মীপান তাঙদুনা ৱানা হিংলিবা ইরমদমনি। নিংখা তম্না লৈজরম্বা ইরমদম মণিপুর ৱারি। নিংখা তম্না পোথোক চাথোক মরাং কায়না লৈজরম্বা ইরমদম ঙসিদি মীনাই ওইরি। মপান লমদগী লাকপা আলু, তিলহৌ, চেঙ, চীনি য়াওদনা লমদমসি হিংবা ঙমদ্রি।

পুম্নমকসি উরুরগা করিগুম্বদা নীংশিংহল্লিবা মসিবু ঐগী ইমা লৈবাক মণিপুর হায়দুরা হায়না। ঐখোয়গী লম্বী ইকক কশিল্লকপগুম তৌরি। ঐখোয়না ঐখোয়গী ইরমদম ঙাক্পা ঙমদবগী মওংদা লাক্লি। মণিপুরগী শাসন চীংদা লৈতবগা পাঞ্চক ওইরে। মসিবু করম্বা শাসন মওংনো লৈবাক অসি কৈনোম্মা তৌরে। লৈবাক্কী লুচিংবনি হায়দুনা থোরক্লিবা লুচিংবশিং ইলেক্সন ময়া নত্তনা প্রজাগা শম্নদবগুম তৌরে। ঐখোয়না পাম্বদি হায়বদি প্রজানা পাম্বদি পুন্না নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা হায়বদুনি ইকোনোমিক ব্লোকেদ , কাউন্টর ব্লোকেদনা করিবু কান্নগদৌরিবনো? শিরগা লোইবা তাইবঙ মপোক্লি। মসিদা ঐখোয়না ইকোনোমিক ব্লোকেদ, কাউন্টর ব্লোকেদ তৌবগী অর্থ থোক্তে।

লোইশিল্লকপদা ঐখোয় মশেল নুংশিননা হিংমিন্নসি হায়বা নত্তনা হায়নিংঙাই লৈতে ।ঐখোয় মশেল পুন্না পুন্না নুংশিননা হিংমিন্নসি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ঐখোয় ইমা অমত্তগী মচানি খঙমিন্নসি।

'ইচাশিংদা নমাঐনা খুরুমদুনা হায়জরি'কবুই ইমাগী ৱাহৈদো

থাংজমচা দামু খাবা

হান্নগী মখাঃ

থৌদোক্তু করম্না থোকখি শেংদোকখ্রবনা অমদি মীটিংদুগী অতৈ ৱারমশিং তুবৎ নাতে শল্লগা, তাঞ্জুল ইচিন ইনাও অমনা হায়খিবা ৱাফম অমা লৌখৎচগে। য়ুএনসিনা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌবা মতমদা তাঞ্জুল ঐখোয়না য়ানিংদবগী অকনবা রিয়েক্ট তৌদে হায়দুনা মৈতৈনা ঐখোয়দা শাওই। মসিদা ঐখোয়না ৱাহং অমা হংগে - সিএম ইবোবীনা হন্দক উখুলদা শঙ্গাবা চৎপা মতমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা তাল্লকপদু ইবোবীনা করি তৌবা ঙম্মী? চিফ মিনিষ্ট র ইবোবীনা থেংনবা ঙমদবদু, ঐখোয়না করম থেংনগদ্রা? তম্পাক লম অমদি চীংদা ঐখোয়না করম হিংলি নখোয় খঙবীব্রা? ঐখোয় করি তৌ হায়বনো হায়না য়াম্না সেরিয়জ ওইনা হংবা ৱাহংদু, ঐখোয় পুম্নমক্না য়াম্না তঙাইফদনা খঙজিনবা মথৌ তাই।

হৌজিক কাঙলুপ কাঙলুপশিংগী মরক্তা খায়বুং খায়বুং নাকপাক নাকপাক তানবা মানবা অমা লৈরিবা অসিগী মনুং অমদি মপানগী ওইবা অকুপ্পা মীৎয়েং খরা, মনুং থিৎনা খঙমিন-উমিন্নবা ঙম্নবগী 'গুদ ৱিল মিসন' মপাঙ্গল কলহনবা য়াম্নমক তঙাইফদবা ওইগনি। মতাংসিদা মৈতৈ কম্যুনিতিগী ইচিন ইনাওশিংনসু হৌখ্রবা পুৱারী অমদি হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভম মুন্না খঙনবা হোৎনবা চুমগনি। ইম্ফাল মনুংসিদা ফাওবা, হৈনৌ কেন্দুনা চাইনা তাবগুম, থোঙ্গাল, শুমাং- থেল্লোং, য়েনখা-লুখাদা বোম্না ৱায় চায়দুনা সেক্যুওর ওইদ্রবা মতমসিদা চীংদদি করি ওইরমগনি। ৱাখলনা পংশা শাগৎনবগী মহুৎতা ফিল্ডদা প্রাক্তিকেল্লি য়েংবা চঙই। চীংগী লুচিংবা ইচিন-ইনাও মীওই খরনা ইনহ্যুমেন ওইবা কয়া তৌনিং- তৌনিংবদা তৌবগী হৈনবী অমনা, তম্পাক্কী মীওই কয়াদা হঞ্জিন-হঞ্জিন অৱাবা পীবদগী খাঙবা ঙম্বগী পঙখৈ লানখ্রবা তম্পাক্কী মীওইশিংনা, খাম্বা য়াদনা মৈ হৌনা শাওরগসু খুৎ য়াওনদুনা ঈহিং-নাইহিং তানহৌদবা অসিমদি থোইদোক্লা থাগৎনিংঙাই ওই। মৈতৈ কম্যুনিতিনা মমাঙথক্তা শোয়খি-লানখিবা লৈবনা, ইচিন ইনাওনি হায়দুনা খাঙবা য়াবা খাঙদুনা লাক্লিবসিসু থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌনা অমনি হায়না লৌবদা লাল্লোই। অদুম্নমক্তি ওইরগা অনিংবা পান দম ফংনবনি হায়দুনা হায়হৈ-তৌহৈদবা ময়াম অমা ঙাংলি -শক্লিবা, তৌরিবা এক্সন কৈদা অসিদি মালেমগী মীওই অমত্তনসু খাঞ্জুনা লৈবা ঙমগদবা মান্দে। হন্দক্কী মতাংসিদসু লুচিংবা খরগী ৱাখল্লোন্দদি ফুদা ফুরকউ, থিন্দা থিল্লকউ, অশি-অনা য়াওরকপনদি হেন্না ফৈ হায়না শীংদুনা ঙাইদুনা লৈরি হায়বসি, ঐখোয় খুদিংমক্না খঙজিনবা হায়বসিনা, হৌজিক অমদি তুংগী খ্বাইদগী অফবা ওইগনি। মরম অসি লৈবনা মৈতৈ ফুরুপ্পা অশেংবা ঈ মরী থিগৎতুনা মচিন মনাও ওইবগী অপুনবা শক্তম শাগৎনবগী অচৌবা থৌদাং অদু লৌমিন্নরসি হায়বা ৱাফমসিনা ইজরিবগী আপিল ওইজগে।